> “মী লাইপোক অমা অনীদং থোরক্লবা হোৎনবদা, চাদিংদা হালেংদবা প্রকৃতিনা মীচম করোর কয়া শেম্বা তাই।”
>
> *- হৱাইবম রনবীর*

# লৈরেং

## কতন ওইনু

**—আর কে ইবুংঙোম্না**

চৎথোক্লবদি ফংলোই
লম্বীগী চিদাইদা তারম্বা
শেলগী চবুন।
অরেম অপা লৌনীংঙুবগী নত্তে
চৎথোকউ মী মরক থোকউ
তুমশিন তুমশিন
মঙ মঙঙ মঙঙ
লৈগনু হায়বনিদা।
কপনীংই - হে!
ঐগী পুন্সি!
কপ-কপতুনা লৈরগসু
হোৎনদ্রদি ফঙলোই কৈসু
য়াহৌ ঙন্না হৌ চেঙ মচঙ ফংবনি
য়াহৌ থেংঙদি চগেম চনাই ফংঙি
কতনদি তল্লগা,
নতন তনবনা করিসু ফংলোই
নশাই অনীংবা ৱাখলদা চপ য়ুংনা লেঙদবা
তম্মু, হোৎনবা তনগনু।
কুম্মৈ ফিয়োংদা লুপলুনু
তুংগীদমক খন কতন ওইরুরনু।
ঙসিই ইমাই ফীভম লুরবনিকো!

## পাকথদুনা য়েংমিন্নরসি

**—সোইবম মঙ্গিজাও**

লৌশিৎতা শেনতেক থিদুনা
ফুদিৎতা মাংজোং চোঙবা
হে! মৈত্রবাক্কী তাইবঙ মী - ৱা!
শঙ খন্দুনা তাক্লসু
শিংউ য়াররোইদবা ভোটরশিংনা
য়াম্না থাজনা উনিংথৌ খরা থাখিবা
উমং য়োকখৎপগী পান্দমদা - ৱা!
মীয়ামগী মীহুৎ হেক ওইখিঙৈ-উনিংথৌ
তাওবা হূইমৈ পানলদুনা
ফম্বাল লুম্বা নমু পোং ওনখরে
থৌগল লূপকী থৌগল্লোই - ৱা!
থৌদারোইনা থুগাইলোই ওই
পাউখোনলোইনা পাবা শা
কাঙ চাকচা য়াখুন নাইদা
ককচেং চৎপা খোঙ্গুল তাদা
পুকচেল শেপ্পনা অশেংবা শা-ৱা!
মীথুংনা য়ূম্বু ওইরকপা লমলেন
লমখৈ শম্বল খা-খানা লম্মাংবা
ঙমখৈ পরিং উচি চাকহোন
লমখৈ নুংদনা য়োং তনয়েল
অখোয়বা লৈই রিজার্ব কয়াৎ - ৱা!
শোইরোম্বা মান্দবা কোক্লা
নুংঙাই মপান শা, দোলাই ৱাংনা তোং
ৱাংমনখিবনা উরকখিদরে দোলাইরেং খাগী
লাক্কনি খঙদা মিৎকুপ-নাহুম!
দোলাই তোংবসু দোলাই পুবসু
লোইনা লাই ওইখরে!
মখোঙগা লৈবাক্কা শম্নরমদরে-ৱা!

## কোরোনাগী চেঙয়েন

**—অমরজিৎ খাঙেম্বম**

নঙগী নমীংদি কোরোনাভাইরস
কোভিদ-১৯ হায়নসু খঙনৈ
চাইনাদা পোকখিবনি নঙদি
নয়াম্বনা হান্তা ভাইরস
নঙগা মরী থোক্লরুবৈ
লোইরে ঙসিদি মালেমসে
ইটলিগী প্রসিদেন্টদো কপ্লে
খাঙবা ঙমদ্রবা নঙগী লোনফুদা
নশক্তুদা উহল্লম্লবা
খুবাক অসিদা হাপ্লগা
শুরু-শুরু নৈখায়রমগদবনি
নঙ য়াওই য়াওদে হায়সু খঙদেদো
খূত্তা হান্দবা ঈশিং লৈরক্ত্রে
নঙদি তম্নলাইনি তম্নলাই
নশক্তুদং উরম্লদি খঙগদবনি
নথৱায়দো কদোম চেন্দৌরি
চেঙ য়েল্লি লৈকায় লৈকায়
কোরোনাগী মমিং লৌদুনা
চপ মান্নদে চেঙয়েনসু
য়োংনা তন য়েনবা কচানি
ৱাহৈদি নুংশিবীবা ঙাক্তা
ৱাখল তাদে কোরোনা
ৱাখল তাদে চেঙয়েন

## কান্নদবা

**—পুয়াম অচৌ খুমনচা**

ঐসু খঙই নঙসু খঙই
অরানবা অচুম্বা
অদুবু ৱাখলনদি
ঐনা ঐনা চুম্মী।
থোকহল্লি হিংসা
ৱাখল অপংবা
নঙবু পঙগনু
নোক্কনি অতোপ্পনা।
চাওখৎপনা নঙগী
নগুন তাকপনি
লমকেৎনবা ৱাহৈনা
পুন্সি মাঙহনবনি
ইমা-ইপা মশক তাকপনি
নঙগী ৱাঙাঙনা
অৱাবা মীৎকুপ্তা
নঙগী ফুরুপ
নঙগী নজাতি
নীংশিংলক্কনি নোংমা।
পিরাংসু শিন্থগনি
নঙ মশক খঙলকপদা;
হাৎনা শুনবনা
ফংলোই কান্নবা
মালেম ইমাবু
মুন্নবদা নফি তাখৎনরি
খরসু পুকচেল চাউথোকউ।
মমল য়াম্লবা পুন্সিবু
খাঙুথক্তা মাঙহনবা
পাপকী লম্বী থিবনি
ঈখেং থক্লিংবা
নঙগী খৌরাংলবা
নরৈদো হা হা
থৱায় মাঙনবনি।

## ডোক্টরগী নুমিৎ

**—ডো. অকোইজম ইবোহল**

জুলাই ১না খোঙদোই হুল্লকপদা
কচ্চরি লৈরাং খুজোক খুজোক
নহাক্কী ঙাক্লৌ খূয়া থম্বালদা
লৎনবা লৈতনা লৌবীয়ুকো লুচিংপুরেল;
ওইবীয়ু লৌশিংগী মৈরা নহাক্না
লম্বী লম্মুক্লরবা নরোয়-ননাওশিংগী
খুজেং পালোইনবীদুনা লমজিংবীয়ু
মতম চূপ্পদা অচুম্বা মায়কৈদা;
খোঙ্গুল লীবা ঙম্বা ওইজগে
নহাক্কী ফিদম্লফম ওইরবা ৱাখল্লোনগী
পীনবীয়ু অনৌবা থৌনা লিংজেল
পাঙথোকপা ঙম্লবা শোয়ফদ্রবা থৌগায়;
কৎথোকপা খক্তনা ইশরুক ওইরবা
অনা লায়েংলোই ঐখোয়গী ইপোকনি
শেংলবা লাইশঙগুল্লবা লায়েংশঙদা
লাৎচরিবনি অনাববু লাইমক্লি খঞ্জদুনা;
তূম্বা চাবা তুংওইননা থল্লম্লগা
চোঙশিল্লিবনি লানবুঙদা চিংনবা লৈতনা
হোৎনজগে লৈজবা পাঙ্গল ফূদোক্তুনা
কোক্কা মোনগা তাইনদ্রিবা মীৎকুপ্তুফাও;
শোয়দবা লান্দবা কনাবু লৈবগে
পেন্দবা কোঙ্গায় য়াওরম্লবসু
খোয়খা-লিনখা থাবীগনু
অশাউ খাম্বী মৈহৌবীগনু;
থৱায় পানবা লক্তা পোক্লবনা
চিরবা তানফম য়ৌরক্লবা মতমদা
তনিকপা ফাওরকই থম্মোয়সে
থম্না থক্কী লাইজ ঈরীক্লুম;
হায়নৈ খোইয়ুম লাইগী ঙমথংনি
পোকঙমদনা পোক্লকপা তাইবঙ পুন্সিবু
খম্লুং শৱা তানখিগদবদগী কলহৌদুনা
অনৌবা মপোক অমা ফংহঞ্জগে।

## কুমগী নোং

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ঙাইরিবসে নঙনি
চুরো কুমগী
নোং লেপ্তুনা,
অতিয়া পূম্বা
অমুবা লৈচিলনা কুপশিন্দুনা
চুরো লেপ্তুনা
কুমগী নোং।
থেংমল্লবরা নঙবো
তাইবঙ জীব পূম্বগী
থৱাল মৈরা ওইরিবা
লৌমী কয়াগী আশাগী
মৈরা ওইরিবা
চুরো লেপ্তুনা
কুমগী নোং
ঝম, ঝম,
পুখ্রি, পাৎ, তুরেল
মপুক থন্না।
কালেনগী মৈশানা লাকহৎলুরবা
তাইবঙগী জীব পূম্বা
ইখৌলাংবা কোক্লবা
লেপ্তুনা চুরো
কুমগী নোং।

## কংলৈপাক্কী নৱা

**—খাইদেম বীনোয় মীতৈ**

কংলৈপাক্কী লমদমদা নচা ঐসে মীতম্লে
চাউরক্লে ঐসে, ফত্তবনা হিংনীংলি
অফবনা শিনীংই, অশেংবনা ৱায়েলনীংই
শেংদবনা ৱায়েল্লে, লাইরিক হৈবা
মপান থোকপা মীশিংনা
হুৱান চিন্থি খঙই।
লমদমসিগী ৱায়েংনীংই
মপু মাদি মীরক্তা মশক ওইনা হিংদে
মশক ওইনা হিংলবদি
মীয়ামসে ৱায়েনবা ঙমগনি।
মপু নঙনা নশক লোৎলুবগী
মন্ত্রি, এম এল এ, ৱার্কর, মীয়াম্না
থম্মোয় শেংনীংদে, মরমদি
লায়রবা কংলৈপাক ওইরুবগীনি।

## থৱায়না থৱায়গীদমক

**—ঙাংবম ইবেতোম্বী**

থৱায় মাবু নুংশিজৈ
থৱায় মাবু পাম্মুজৈ
থৱায় পানবা খিবিক্লা
থৱায়গীদমক হিংনরি।
লায়না লাইচৎ অমা লাকপদা
পাখৎচৈ থৱায়না থৱায়গীদমক
খন্নজৈ থম্মোয়নুংদা
‘লায়না’ নঙনা য়ৌবীরক্কনু ঐগী লৈকায়দতদি
য়ৌরকপা তারবা ঐগী লৈকায়দা
য়ৌবীরক্কনুকো ঐগী ইমুংদতদি
অমুক খল্লি য়ৌরক্লবা ঐগী ইমুংদা
ঐগী শামু হকচাংদতদি য়ৌবীরক্কনুকো।
অদুবু থৱায় মাবু পাম্মুদা
চোঙথোকপীরক্লি মীওই কয়া কয়া
তূম্বা মচেৎ চাবা মচেৎ তৌদুনা
মখোয়গী থৱায়না মীগী থৱায়গীদমক
কয়াদা মমল ৱাংখ্রবা
মখোয়গী থম্মোয়গী থৌনাদো
মখোয়গী লমনদি তোন্দুনতা লৈহৌরগনি
মীওইবা খুন্নাই অসিনা
লাইরমলেন্দা চৎখিবা তারবসু মখোয়দি
লৈরমগনি শোয়দনা অথোইবা ‘ফীদা’ অমা
মপু মানা খাক্তুনা মপু মাগী লৈকোন্দা।

# রাহুনা উমলুরবা থাজ

**(শিবু শিনু হায়রবদি তাইবঙ মীসি শিদে উৎলিবা নোবেল)**



| | | |
|---|---|---|
| লাইরিক | : | রাহুনা উমলুরবা থাজ |
| মখল | : | নোবেল |
| অইবী | : | সোবিতা মোংজম |
| ফোঙবা | : | ২০১৮ |
| অফোঙবা | : | রাইটরস ক্লব মণিপুর, নম্বোল |
| মমল | : | ১৯০/- |



প্লেন ক্রাসকী নোবেল তাঙঙি। মসিগী মরম হিংহৌবা য়াওহৌদবনা ওইবা য়াই। অদুবু করিগুম্বা থোক্তবদি নত্তে, ক্রাস অদুদা মী অমতংকা হিংহৌবা। মতমদুদদি অচৌবা নোবেলগী মচাক লৈতে। ইংরাজিদা ঐখোয়না পাখ্রে, The lost horizon নোবেল Hazlit না ইবা। কয়া ফজখ্রে, মায়কৈ খঙখিদ্রবা, উন মরক্তুদা হিংহৌরিবদুনা থেংনরকপা Experience কয়াদু Shangrila গী পুন্সি, মী অহল ওইশিন্দবা, মী নাদবা অঙকপা তাইবঙ অমা থেংনরকপগী ৱারীনি। অদুবু ঐখোয়গী লোন অসিগীদি লৈবু লৈত্রি হায়বা য়াই। ঐখোয় লাইবক থীবা থাংজিং এয়ার ক্রাস অদু, ফনা শাথীবা প্লেন ক্রাসনি, অদুবু হিংহৌবা অমত্তা লৈত্রবনিনা ৱারী পূম্বা লৈখিদ্রবা থৱায়শিংদুনা পুদুনা চৎখ্রে। অদুবু তাঙনা, য়াম্না তাঙনা, মখল অসিগী নোবেল অমদি ঙসি পাবা ফংলে। লৈবাক্কী মথৌগীদমক য়ু এ ঈদা দিল্লিদগী পাইখিবদা য়ৌগদবা খজিক্তা ঙায়রবদা অহৌবা মখোল অমনা পোখায়রকপদগী মাগী মাগী মরাইবক্লা তম্বা ফীভমদা কনা অমত্তা হিংহৌদ্রগা ওফিসর অমখক মরাইবক ফবদগী হিংহৌবনি। মাগী ৱারীনি, য়াম্না নুংশিবা। মাগী ৱারীনি, তাবদা অঙকপনা থনবা। ইরিবী অইবী অসিনা কনাসু নত্তে, সোবিতা মোংজমনি। ঐখোয়গী লোনগী অইবী সোবিতা ৪/৫ লৈরি। হিদান্নরিবনি। সোবিতা মোংজম্লুসু মশক অমুক নৌনা পল্লুদ্রবসু য়ারবা মশাগী শৈরেং লাইরিক অনী, ৱারীমচাগী অমা পুথোক্তুনা লৈবাক্লা খঙনরবা অইবীনি।

নোবেল অসি হেক ফাক্তোক্তুনা পাবা হৌবদা য়াম্না হেক পানীংহনবা মখল অমগী নোবেল ওইদৌরি খনগদবা ওই। য়ু এ ঈগী কোনুং দুবাইগী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট অদুকাদু হেক অশেংবা অশাংবা মমিংকাদু পীরদনা, নোবেলসিগী খোঙফম থিরকপদা মী মথঙ মথঙ কূমথনখ্রগা য়াম্না চীং-লেম্বা নহা অমা ইকোন কোন্না থোরকপা, অপাবশিংবু মিৎ থকহনবা ঙম্মী হায়নীংই। অদুগদি সুম পাথরকপদদি কূমথরকখ্রিবা অসি কনাসু ওইরমদ্রে Indian Diplomat অমা ওইরম্বা কোরৌঙানবা অদুগী মচানুপা মৈরাবা ওইরম্লে। মপাগী য়াম্না চিংননিংঙাই ওইরবা প্লেন ক্রাস অমদা শিখ্রবরা, চঙখ্রবরা খঙদ্রবা চহী ২৪গী মতুংদা মচাদুবু মশাগী চানবা থবক অমা হাপ্পীদুনা ট্রেনিং দুবাইদা লাকপা ওইরম্লে। অপাবা খুদিংমক মীনুংশিগী শ্বর অমমমদং হোন্দোকহল্লি।

অইবীনা নোবেল অসি শেম্লকপদা য়াম্না থৱায় তাজনা পুখৎলক্লিবা প্রোব্লেমদি ঐখোয়গী মৈতৈ ময়েক্লা মপান্দা তারিবা, বাংলাদেশ য়ৌনা শন্দোকখিনবা হোৎনবা, মদুগী পাম্বৈ থিবা, মথঙগী ইস্যুনা মপান্দা খুন্দারিবা ঐখোয়গী ঈ মরীবু কমদৌনা তৎহল্লোইদগে হায়বা ৱাফম অসিনি। মদুগীদমক অইবীনা কেরেক্টর অমা শেমগৎলি কোরৌঙানবা কৌবা। মৈতৈ ময়েক্কীদমক মথ্বায় কৎলবা। অদুবু মানা থাজিনখিবা পরিক্ষা অমা ঙম্লক্তুনা ইন্দিয়ন দিপ্লোমেট অমা ওইনা দিল্লিদা চৎপা তাখি, অদুদগী অমুক দুবাইদা মচানা ঙসি চৎলিবা অসিগুম চৎপা তাখি। মদুদা থোকখ্রিবা লাইবক থীবা থৌদোকনি। প্লেন ক্রাস। কনানসু হিংলমখিনি থাজনদ্রবা।

অদুনা অশিবদু কমদৌনা হিংলম্বা, করম্না পুন্সি লেল্লম্বা লামায় মথঙ মথঙ ফাল্লকপদা অদুম থেংনবিরগনি। শিবু শিনু হায়রবদি তাইবঙ মীসি শিদে উৎলিবা নোবেলনি। অদুবু Uninterrupted flow of memory অদুনা নোবেলগী ফজবা মাঙহল্লে। নোবেলগী পো কাঙবদা প্লেন্দগী থোক্লকখ্রিবা ওফিসর মানবা, ওইসু ওইরিবা মচানুপা ওইরমদৌরিবা মৈরাবা হায়বা লমচৎ অমা শেম্লুবদু য়াংনা থম্বীরম্লে।

অদুবু Style, Technique য়েংলুদনা ৱারীদি নুংশিরে। মৈরাবনা ট্রেনিং নুংতিগী চৎলিবা লম্বীদুদা অঙাওবা অমা, মশম-মনা ককত্রবা, নোংমতা ঈরুজনি খঙদ্রবা অমা হূইনা তান্নবা থেংনৈ। হূইদুদা অঙাওবদুনা লাউরম্বদু মৈতৈলোন্না ঙাঙবা তাখি। মদুদা মৈরাবা অঙাওবদুবু নুংশিখি। মৈতৈলোন থোকপা অমনা দুবাই সহরসিদা করম্না ঙাওরল্লিবনো খন্থবা হৌখি। ট্রেনিং য়াওমিন্নরিবা ভারত মফম অতৈগী মমান্নবা অনীদুগী মমাঙদসু হেক মীনুংশি উৎলুবদু ইকায়খি।

অতোপ্পা অমনা অইবীনা মৈরাবগী মপাবুং কোরৌঙানবনা ৱারী পূম্বা লীগদবা ওইবনা কোরৌঙানবা ঙন্না পুথোক্লকপা ওইগনি। নোংমদি অঙাওবদু উ মখা অমদা নিক্তুনা লৈরম্বা থেংনরুবদগী ডাক্তরদা পুখৎপা ফজবা মতাংনি। মৈরাবনা মৈতৈ মচা অমা ওইরুবগী মীনুংশি উৎপা তৌফম থোকপনি। মাদি মপানি হায়বা খঙবা নত্তে। মানা পিশক পিক্লিঙৈ, চহী ৪ রোমদা ঙাইরিঙৈদা মাঙখ্রবা মপাবু হেক উবদসু খঙবা য়াবা নত্তে। মীনুংশিদগী নুংশিবা ওল্লকপদি অঙাওবা অদুনা নাবা ফরক্লবা মতম, কোক্কী ডাক্তর অমা তানদুনা মাগী মীরোল তাদ্রিবদু করম্না তাগদগে হোৎনরকপা মতাংদুনি। অঙাওবদু কোক ফরে, মাগী হৌখ্রবা পুন্সি লোইনা নীংশিংবা ঙম্লে। মাগী নুপীগী মমিং হায়বা ঙম্লে। লৈফম হংবদা ককচীংনি হায়রে। পূম্নমক্তু তাবদা মৈরাবা খঙজরে, অঙাওবা অসি অতৈ কনা নৎত্রে, মাবু হেক পোকপীবা কোরৌঙানবনি। অদুনা মমাদা হায়খ্রে, ববা হিংলম্লে, প্লেন ক্রাস অদুদা মতোমতা হিংহৌবনি হায় হায়খ্রে। অঙাওবা ওইনা চৎলম্বদগী থেংনদুনা মানা ফাজিন্দুনা লায়েংবিরে, মশম-মনা ককথৎপীরে, ঈরুজথোকপীরে, মফি-মরোলসু লৈবীরে অসিনচিংবা। মমা ইবেন্মা লীক্লাসু তাবদা তু চুংখ্রে, পৈশা থারকউরা মপা ফনবা লায়েংলকউ হায়খ্রে।

মতাংসিদা নুংঙাইরিবা অমনা চেন্থরিবা নোবেলগী ঈচেলদু শৎ মায়কৈ ওন্ননা চৎখিবা অসিনি। অপাবশিংনা তানীংলমগনি, কোক্কী ডাক্তরগী ৱা, অঙাওবদুনা প্লেন কায়বা অদুদা, পোকখায়বা অদুদা মাইল অমুক পাক্না শন্দোক্লা তারম্বা য়াই। মশা হিংহৌরবনি, অদুসু মশানা ৱারী লীবা ঙম্লবনিনা, মঙোন্দগী অশেংবা পাউ তানীংবনি, অদুবু মদুদি লীখিদ্রে।

অইবীনা য়াম্না লুনা শেমগৎচরকপা থিম লোন, ময়েক, মপানগী ঈ মরী অহুম অসিদা খূৎ হেন্না থাখিবনা কোরৌঙানবগী Uninterrupted flow of memory অদুনা মপূংদা ইখিবনি খল্লি। মসিগী মতাংদদি অইবী অসিগী মীৎয়েং নৌই, য়াম্না চেকশিন্না পায়। অদুগা Love affairs য়াওদবা নোবেল ওইখিদনবা অইবীনা লীক্লাগী লমচৎ অমা শেমদুনা কোরৌঙানবগা বাংলাদেশতা নুংশি মরী শেমগৎলকপা য়াম্না লীরি লৈখোল লৈনা, মোং-হাদনা চেনবা নুংশি ঈচেল ওইখি। অমনসু অমনসু হায়রকপা ঙাইনরম্বা, মপান্দা লৈরিবা ঐখোয় ফুরুপকী মীওইশিংনা মণিপুরদগী চৎখিবা মীশিংবু কয়াম মরু ওইনা লৌবগে হায়বদু নোবেল অসি পারুরগা খঙলকই। মোং-হাদবা পুন্সি মহীং লোয়নজবা ঈ মরীশিং অদুনা খোল কন্না ঙাঙনদবা উৎলি। অদুমক্তনা মতাং অমদা কোরৌঙানবনা মচিন নোকখি - “ঐ য়ূমদা হন্নিংদ্রে, সিদা সুম লৈনিংলে।” অইবীনা অসুক নুংশিখ্রবা ফুরুপ অসি মনুং-মপান মরী তৎনদনবা চারৌ মৌরৌনহল্লি। মণিপুরগী কোরৌঙানবগী মমা মপানসু বাংলাদেশ নিংঙোল লীক্লাবু তরাম্না লৌশিনখি। মসিনি ফজরিবা। মচানা পাম্মে হায়দুনা পুজরক্লবা মমৌবু কনাগুম্বনা থীনা তৌবীবা য়াওই। মদু ঐখোয়গী Ethos তা লান্না চৎখিনবা মওংনি।

দুবাইদনা মপা-মচাগী ৱারী, মণিপুর, ককচীংদনা লীক্লাগা মচানুপা অতোনবা অদুগনা ঙাইবগী অৱাবা অইবীনা অনীমক Synchronise তৌবা ওইনা মৈরাবনা দুবাইদা ফম্লিবা ইন্দিয়ন এম্বেসিদা তাকখ্রে, কোরৌঙানবগী ৱারীনা থনখ্রে, দুবাইসু, বাংলাদেশসু, মণিপুরসু। এম্বেসিনা য়ূম য়ৌবা ফাওবগী টিকেট ককপীখ্রে। মৈরাবা ট্রেনিং লোইদ্রিঙৈ থাদোক্লক্লে, মপা মচাদু। দিল্লিদা রিসেপ্টসন পীদুনা ঙাইহাক পোত্থাহল্লগা পন্দনা ইম্ফাল পাংলক্লে। শিখ্রে খল্লুরবা মপুরোইবদু উবদা চহী ২৪ লংথোকপীরম্লবা লীক্লাগী ৱাখল করি ফাওরমগবা, মমাগী পূক্লুংদা থা ৪দা থনম্বা মচানুপা অতোনবনা, অমুক্তা উজদ্রিবা মপা উবদা করি ফাওরমগদবা নোবেল অসি পাদ্রিমখৈদি খঙলরোই। অদুগী মথক্তা শিরুবনা হিংলম্বগী অদুক নুংঙাইবা মিৎকুপ্তুদা থৱায় অনী অমদি য়াওবা ফংদ্রে। লীক্লাগী ইমা ববাদি গাড়ীনা থেঙ্গায়রম্বদগী তুংথ-মাংথ তাইবঙ থাদোকখ্রে। লৈবাক হৌদুনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপা য়াবদু অইবীনা থোকহন্দ্রে।

নোবেল অসিদা করিগুম্বা অমোৎপা মচেৎ অমফাও পক্তবা লমচৎ অমত্তং হায়বা তারবদি লীক্লাগী লমচৎনি। মপুরোইবা শিখ্রে খন্না মচা নুপা অনীবু চহী ২৪ য়োক্লকপা হায়বসি থমোয় পেৎপা মীনদি ঙমগদবা মান্দে। মানা ঈরাং পূম্নমক নুংদা ফুমদুনা থমখ্রগা মমা অমগী শক্তম লৌদুনা য়োকচরক্লম্লদ্রবদি মৈরাবা দুবাই পাংলমদবা য়াই, মহাক্না ট্রেনিং অদু চৎলমদ্রবদি মপা অঙাওবদু কনানা থিদুনা পুবিরক্কনি। অদুনা নোবেল অসিগী অরূম্বা তঙ্খায় অমদি লীক্লানা পুরি হায়নীংই।

মৈরাবগী রোল খিত্তংগা চাউহল্লম্লবা কোরৌঙানবা পুথোক্লকপদু খিত্তং থেঙথরম্লবা নোবেলগী ফজবা হেনগৎলমগনি খল্লি। অদুবু অৱাৎপা ময়ামসি মেনখৎপা য়ারি। মৈরাবগা বাংলাদেশ নিংঙোল মপা কোরৌঙানবগী মরুপ তোন্দোনবগী মচানুপী নীংথিবী ৱারী লোইদ্রি। মখা ইথবা য়ারি।

লোইশিল্লকপদা করিসু হায়নিংঙাই লৈজদ্রে। মরক্তা ঐগী ওইবা মতসু খরা খরা পীখ্রবনিনা য়ারে খল্লি। অদুবু অইবীগী মপামগী লমসু খঙলে, ওংলিবা লমসু খঙলে। অদুবু কমদৌনা ইতোপ তোপ্পা তামখ্রবা ককচীংবু থৌদোক্কী ইপিসেন্টর ওইনা লৌরুবনো হায়বসিমদি অইবীনা হায়দোক্ত্রিমখৈ খঙলরোই। সোবিতা মোংজমগী নোবেল অমতংগা পানীংলি।■

*- সলাম তোম্বা*

# রাগ দরবারী-৫৩

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...)

থা অমদা নোংমতং ওইরবসু মপাদা চৈনা কন্নবা তোয়না তৌখিবনা কুসহরপ্রসাদকী মখূৎতা করিগুম্বা হৈনবী অমা লৈখ্রে মদুদি গঙ্গাদয়ালনা লৈখিদ্রবা মতুং ফাওবদা মহাক্কী মখূৎ থা অমগী মনুংদা মরিরক-মঙারক কুম্বা পংথরগা লৈবগুম তৌই। লকৱাগী লায়না লাক্কদরা হায়না কিবদগী মহাক্না নোংম অমুক হন্না চৈ থাঙ্গৎলদুনা পিকত্রুগী মখ্বাংদা চৈনা কনথৈ। পিকত্রু হান্নগুম মশা ফবা হায়বদু ওইদ্রে, অদুবু মহাক্কী খুঙ্গংগী মনাক্তা রেলৱে লাইন অমা লৈরম্মী। মদুগী মতাই অমদা ৱায়র তিংবগী উখোং অমসু লৈরম্মি, উখোংশিং অদুদা অঙৌ-অঙৌবা ইন্সুলেটরশিং পালম্মি। মদুবু কয়ারক থুগায়নবা হোৎনখিবগী মহয়না পিকত্রুগী খূৎ চুম্বগী চাং অসি মানা পালহন্নিংবা মফমদা পালহনবা ঙম্মি। কুসহরপ্রসাদনা পিকত্রুগী খ্বাংদা চৈনা কন্থখিবা নুমীৎ অদুদা পিকত্রুনা উখোংগী ইন্সুলেটর পূম্নমক রেলৱেনা পীবা নূংশিংনা থুগাইরদুনা রেলৱে লাইনগী নাকলদা পরেং শানা থমখি। চৈ চারদুনা মহাক রেলৱে লাইনগী মায়কৈ তম্না চেল্লি অমসুং মফম অদুদগী মহাক্না মপাগী মকোক অদু ইন্সুলেটর ওইনা খন্দুনা থুগাইরগে হায়বগী মতাগুম নূং লংলকই। নুমীৎ অদুদগী মপা-মপু হাক্তক্তগী চৎথরকখিবা খৎন-চৈনবগী চৎনবী অদু অমুক চৎখি। মদুদগী চাউরাক্লা থা খুদিংগী ওইনা কুসহরগী হকচাংদা অশোকপগী দাক অমা মতম পুম্বগী ওইনা উবা হৌখি। চহী খরগী মতুংদা মহাক্লা মখোয়গী মফম অদুগী রানা সাংগা ওইখ্রে।

পিকত্রু শাফবনা নহা ওইরক্লবা মতমদা মপা অমদি মচাগী মরক্তা ৱাহৈ হায়নবা লেপখ্রে। হৌজিক মহাক অৱাংবা থাক্কী আর্টিষ্টকী মতৌগুম অনিংবা-অপাম্বা, খুদম-চাংদম অমসুং সিম্বোলিক ওইবা লোলদা হায়বা হৌখি। মখোয় অনীগী মরক্তা খৎন-চৈনবা, ফুনবগী থৌদোকশিংসু ময়েং তারে। তপ্না-তপ্না মহাক্লা অতোপ্পা চৎনবি অমা হৌদোক্লম্মি মদুদি অচৌ-অচৌবা নেতাশিংগী মপোক কুমওনগী মতৌগুম চহী অমদা নোংমা খক মীয়ামনা তৌনিংবা নত্রগা তৌনিংদবগী মথৌ তাদনা চাং নাইনা পাঙথোকপা হৌখ্রে।

কুসহরপ্রসাদ চৎখ্রবা মতুংদা নুপা অমনা মাঙ্গোলগী মখাদা লেপ্লদুনা হায়রকই, ‘মসিনি কলজগ হায়রিবসি! মপাদবু অসুম্না তৌরিবসিবু!’

অতিয়াদা মমিৎনা য়েংখৎলদুনা, মকোক ময়া য়ৌনা শন্দোরক্লিবা নিম পাম্বীগী মসাশিংদা য়েংলদুনা মহাক্না হায়, ‘তাইবঙ মপু নঙবু কদাইদা লৈবগে? করম্বা মতমদা কলি য়ুগকী শায়ওন ওন্দুনা লাকপিগদৌরিবনো?’

পাউখুম ওইনা অতিয়াদগী লাউথরকখিবা লৈতে। ক্বাক অমনা ফাওবা ৱাফম অদুগী মতাংদা পাউখুম পীরকখিদে। কনাগুম্বা অমত্তনা চেক ফাওবা লাউরকখিদে। কলি য়ুগকী শায়ওনবু নীংশিংলুবা মীশক অদুগী মায়থোং মকা লামখিদ্রে। অদুবু সনিচরনা শিংজংগী ময়া অদুগী চাং য়েংবা ওইনা অকনবা খোঞ্জেলদা হায়রকই, ‘চৎখ্রো, নঙসু কুসহরগা লোয়ননা চৎখ্রো। প্রমান পীনবা চৎতুনা লেপ্পুরো। পৈশা অমদি অতৈ অতোপ্পা পোৎশকশিং মফম অদুদা ফংগনি।’

বদ্রি শাফবনা মোমোন নোক্লদুনা ৱাফম অদুদা অয়াবা পীখি। রঙ্গনাথনা উই, কলি য়ুগকী শায়ওনবু নীংশিংলিবা মীশক অদু পন্দিটগুম্লবা হনুবা অমনি। কোপশিল্লবা মমায়। মফম মরাং খঙদ্রবা মকোয়। কুদাম য়াওদ্রবা কুরটা ফুরিৎ। মকোক্তা মফম মরাং খঙদনা উপ্লিবা টুপি, মদুগী মনিং থংবা শরুক্তা তারক্লিবা চিখাক অদুনা অতিয়াদগী তারকপা ব্রজদগী ঙাকথোকহল্লি। লাইবক্তা অঙাংবা মচুগী চন্দনগী টিকা। ঙকশমদা রুদ্রাক্ষকী মালা।

নুপা অদু কুসহরপ্রসাদকী মতুংদা তশেংনমক চঙশিনখ্রে। সনিচরনা হায়রকই, ‘মদু রাধেলালনি। ঙসি ফাওবদা অফাওবা উকিল কয়ানা মাবু মায়থীবা পীরদুনা লংথোরকপা য়াওদ্রি।’

সনিচরগী মনাক্তা কুম্ভে য়েংবা নুপা অমসু লেপ্লম্মি। মহাক্লা ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা হায়, ‘রাধেলাল কনাগুম্বা তাইবঙ শেম্বা মপুগী শক্লোননি। অরানবা প্রমান য়াম্না থুনা পীবা ঙম্মি। উকিলশিং মুন্না-মুন্না য়েংদুনা লৈনৈ। অচৌ-অচৌবা মী ফাওবদা মাগী মমাঙদা ৱা ঙাঙবা ঙমদে।’

ঙাইহাক রাধেলালবু থাগৎনরম্মি। সনিচর অমসুং কুম্ভে য়েংবা মীশক অদুগা হায়ফেৎ উংখৎনরকই। সনিচরনা হায়রিবদি রাধেলাল য়াম্না শিংবা মীনি অমসুং সিটিগী উকিলনা অপংবনি। অদুনা মখোয়না মঙোন্দা ৱাহং হংবদা মহাকপু মায়থীবা পীবা ঙমদ্রিবনি। অসোমদনা কুম্ভে য়েংবা নুপা অদুনা মদুবু অঙকপা থৌদোক অমসুং তাইবঙ মপুগী মতিক ময়াই অমা চেল্লি হায়বগী ৱাফমদা য়াম্না কন্না তাক্লবা হোৎনরি। ঙাঙন-শক্লবা অমসুং থাজবগী লানফমসু থোক্লি অমসুং হায়নবগী মথৌ তাদে মদুদি থাজবা ঙাঙন-শক্লবা অদুবু নমথনবা হোৎনরি। মতম অদুদা পিকত্রু শাফবা নাকলগী লৈরক অমদগী ফল্লদুনা থোরকই। ৱেদ্যজিগী থোং ময়াদা লাক্লদুনা মহাক্লা মমিৎ-মনাদু কোইরৈ লৈরদুনা কুফেৎ-কাফেৎ য়েংই। অদুগা হংলকই, “চৎখ্রবরা?”

সনিচরনা হায়,“হোয় চৎখ্রে। অদুবু শাফবা, অসিগুম্লবা পোলিসি অসি মীওইবগী মায়োক্তা লৈগনি।”

পিকত্রুনা খয়া চিক্লদুনা হায়, “করিগী মীওইবা, য়ারে কানদবিদা, নঙনা করি খঙগে?”

সনিচরনা শিংজং মখূৎতা পায়রগা লেপখৎলকই। কৌরদুনা হায়রকই, “বদ্রি ভৈয়া, য়েংউ, নঙগী ষণাওসিনা ঐঙোন্দা তৌরিবা মওংসে। ঙাক শেনজৌ কো!”

ৱেদ্যজি পিকত্রুবু য়েংলদুনা হৌগৎলকই। রঙ্গনাথনা হায়, “অসিগুম্বা অতোনবা মীশিংগী মমায় য়েংবা পাপ ওইগনি। মদু মফম অসিদগী তান্থোকখ্রো” হায়রম্লগা মহাক য়ূমদা তুমিন্না চঙখ্রে।

পিকত্রু শাফবা মীফম অদুগী মনুংদা চঙলকখ্রে। নুংশা য়াম্না শারম্মি। মাঙদা হৌরিবা নিম পাম্বী অদুদা মশীং য়াম্লবা তেনৱাশিংনা টে..টে.. খোংলদুনা পাইরগা লৈরম্মী। মাঙ্গোল মমাঙদা সনিচর শিংজং পায়রদুনা লেপ্লি। বদ্রি শাফবসু কাচিন অমদা তুমিন্না লেপ্তুনা ঙাঙলি-শক্লিবা মীওই অনী অদুগী চাং ওল্লদুনা লৈরম্মি। রঙ্গনাথ হীদাক-লাংথক্কী লাইরিক অমগী লমাই হাংদুনা লৈরম্মী। পিকত্রুনা খল্লি মদুদি মহাক্কী মায়োক্তা পূম্নমক্লা ৱাফম কয়া ঙাঙনরে হায়না। মদুগী পাউখুম ওইনা থবাক ফন্দোক্লদুনা মুকখাইদুনা রঙ্গনাথকী মনাক্তা ফমখ্রে অমসুং মরৈ অদু মচিন মনুংদা লৈর-লৈরদুনা মচিন্দা হান্নদগী য়াওরম্বা সুপারী ক্বা মরূ থিবা হৌরকখি।

পিকত্রুনা রঙ্গনাথতা অসুম য়েংলম্মি মতৌ অদু মাগী মমাঙদা করিগুম্বা তিল অমা পাইবগুম্না। শাউরদুনা পাউখুম পীরকই, “অদু ওইরবদি ঐ চৎলগে। ঐদি বদ্রি ওজাগী য়ূমনি খন দুনা লাকখিবনি। হৌজিক শুপ্নগী নখোয়গী ৱা খক্তা তাউ হায়রবদি মফম অসিদা ঐ মপান থোকপা ফাওবা লাক্লোই।”

রঙ্গনাথনা নোক্লদুনা ৱাফম অদুবু লায়থোক্লবা হোৎনবা পাম্লম্মি। মহাক্লা হায়, “নত্তে, নত্তে, ফম্মু শাফবা। কোক শারবদি অঙৈংবা ঈশিং খুজাই অমা থকচিল্লু।”

অমুক হন্না হান্নগী মতৌগুম শাউনা পিকত্রুনা হায়, “ঈশিং! ঐদি মফম অসিদা খোঙ হাম্নবা ঈশিং ফাওবা মফম অসিদগী লৌরোই। পূম্নমক ঐবু ৱাহন্নবা হোৎনরি।”

বদ্রিনা হৌজিক পিকত্রুগী মায়কৈদা নুংশিবা মীৎয়েং অমা য়েংলদুনা মোমোন নোক্লই। অদুগা হায়রকই,“শাউবা হায়বসি অশোনবশিংগী থবকনি। নঙ করিগীদমক শাউরিবনো? নঙবু মীরা নৎত্রগা পায়জমানলা?”

পিকত্রু শাফবা খঙবা ঙমখ্রে মদুদি কাচিন অদুদগী মাগী মতেং ফংলে হায়বা। পোংলদুনা হায়, “ঐ নুংঙাইতে বদ্রি ওজা! পুম্নমক তৌরগে হায়বগী মতাগুম ঐঙোন্দা য়েংশিন্দুনা লৈরে। হায়নবা লৈ, নপা অদুবু করিগী ফুরিবনো! নপা অদুবু করিগী ফুরিবনো!! কুসহরপ্রসাদ শিবপালগঞ্জদা পূম্নমক্কী মপা মাল্লি। শুপ্নগী ঐ খক্তা মাগী য়েক্লবা ওইনা খল্লি।”

পিকত্রু শাফবসু শাউগৎলকই অদুগা হায়রকই, “মপা ওইরদি ফৈ হায়রিবনি মপাসু নত্তবা।”

ঙাইহাক পূম্নমক তুমিন্না লৈরম্মী।

রঙ্গনাথ পিকত্রু শাফবগী শুকতোকপা পিশুম অদু য়েংদুনা লৈরম্মী। সনিচরসু হৌজিক মীফম অদুদা লাকখ্রে। থেল্লদুনা হায়, “অসিগুম্বা ৱাফম অদু হায়বা হৌনদে। তপ্না-তপ্না চৎনবা হোৎনসি। অতিয়াগী ফজরবা শক্তম কায়হল্লোইসি। ফরবসু ফত্রবসু কুসহরনা নহাকপু পোক্লিবনি, অঙাং ওইরিঙৈদগী চাউনবা য়োক্লক্লিবনি।”

পিকত্রু শাফবনা ঙংলদুনা হায়,“ ঐবু পোকপিয়ু হায়না কৈদৌঙৈদা ঐনা ষ্টাম্প নপ্পুনা এপ্লিকেসন থাখিবা লৈতে। মানা মথৌ লৈতনা পোকচরম্বনি!”

-মথং-মথং

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।